# য়ু এস সেঙ্কসন মায়োক্লবা য়াবা মরক্তা ইন্দিয়া অমসুং রসিয়ানা মিসাইল দিল তৌনখ্রে



***ন্যু দিল্লি, মে ২৭ ঃ***

ইন্দিয়াগী এয়ারফোর্সকীদমক্তা এস–৪০০ ট্রিয়ম্ফ এয়ার দিফেন্স মিসাইল সিষ্টেমশিং লৈননবা ইন্দিয়ানা রসিয়াগা চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৪০,০০০ রোমগী প্রাইস নেগোসিয়েসন লোয়শিন্নখ্রে।

রসিয়াগা তৌনরিবা দিল অদুগী নেগোসিয়েসনশিং অদুদা য়াওবা মকোক থোংবা ওফিসার অমনা ফোঙদোকপদা রসিয়াগী দিফেন্স নৎত্রগা ইন্টিলিজেন্স ইষ্টাব্লিসমেন্টকা ট্রানসেক্সন তৌনবা লৈবাকশিং অমসুং এন্টাইটিশিংবু চৈরাক পীনবা পান্দম থল্লিবা য়ু এস লো অমগী প্রেভিজনশিংদগী নাম্থোক্লবা লম্বী অমা হৌজিক লৈবাক অনী অসিনা থিরি হায়খি। হায়রিবা য়ু এস লো অদুদি কাউন্টরিং অমেরিকা'স এদভর্সরিজ থ্রু সেঙ্কসন্স এক্ট (সি এ এ টি এস এ) হায়বসিনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং রসিয়ান প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্কদবা চহীগী মীফম অমগী মমাঙদা লৈবাক অনী অসিনা দিল অদু লাওথোক্লবা য়াই হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

এদভান্স মিসাইল দিলগী হীরম অসি হৌখিবা চয়োলদা রসিয়াগী সোচিদা ব্লাদিমির পুটিনগা উন্নদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ৱারী শান্নখিবা অদুদা পুথোক্লখিবনি।

২০১৬ তা পাঙথোখিবা অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট ইলেক্সন্দা অওৎ–অপা শাদুনা খূৎ থিংজিল্লি হায়বগীদমক য়ু এস না অকনবা লো অসিগী মখাদা রসিয়াগী মায়োক্তা সেঙ্কসনশিং লাওথোকখিবনি।

রসিয়াগী এস–৪০০ এয়ার দিফেন্স মিসাইল দিল অদুগীদমক সি এ এ টি এস এ গী মখাদা সেঙ্কসনশিং থমজিল্লুবনা য়ু এস মশা খক্তদা শোক্কনি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরী জিম মাত্তিসনা হৌখিবা থাদা থুনমক ইন্দিয়াবু নেস্নেল সেক্যুরিটিগী কোমথোকপা অমা পীনবা কংগ্রেসতা অপিল তৌখি।

কিলোমিটর ৪,০০০ রোম শাংবা ইন্দা–চিনা ঙমখৈ পরীংদা ইন্দিয়াগী এয়ার দিফেন্স মেকানিজম মপঙ্গল কনখৎহন্নবা রসিয়াদগী লোং–রেঞ্জ মিসাইল সিষ্টেমসি লৌবা ইন্দিয়ানা পাম্মী।

কিলোমিটর ৪০০ রোম অরাপ্পদা লৈবা পাইশিল্লকপা য়েক্লবগী এয়ারক্রাফ্‌ট, মিসাইল অমসুং দ্রোন ফাওবা থুগায়বা ঙমগদবা ট্রিয়ম্ফ ইন্টর্সেপ্টর–বেজ মিসাইল সিষ্টেমগী এগ্রিমেন্ট অমা ২০১৬ দা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টান্না শোয় তৌনখি। হায়রিবা য়াম্না শক্তি লৈরবা মিসাইল সিষ্টেম অদু লৈনবা ২০১৪ দা রসিয়াগা দিল তৌনখিবা অহানবা লৈবাক অসি চিনানি। মোস্কোনা এস–৪০০ মিসাইল সিষ্টেম কয়া অমা বৈজিংদা পীবা হৌখ্রে। অদুবু পীখিবা মিসাইলগী মশীং চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রি।

এস–৪০০ মিসাইল অসি এস–৩০০ সিষ্টেমদগী হেন্না ফগৎহল্লবা মোদেল অমনি। অলমাজ–এন্টিনা শাবা মিসাইল সিষ্টেম অসি রসিয়ানা ২০০৭ দগী হৌনা শীজিন্নরক্লবনি।

# সাউথ চিনা সী–গী ঈথৎশিংগী মনাক্তা য়ু এস কী লানগী জহাজশিং চঙশিল্লকখ্রে



***ৱাংসিংটন, মে ২৭ ঃ***

বৈজিংবু শাওহল্লবা য়াবা খোঙথাং অমদা চিনানা মখোয়গীনি হায়রিবা সাউথ চিনা সী ঈথৎশিংগী মনাক্তা ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ু এস নেভিগী লানগী জহাজ অনী চঙশিল্লকখ্রে।

য়াম্না মরু ওইরিবা ঈশিংগী লমদম অদুদা জহাজ চখোক–চৎশিন্দা মনীংতম্বা য়াহন্দনবা বৈজিংনা হোৎনরিবা অদুবু থিংনবা খ্বাইদগী অনৌবা ওপরেসন অমনি হায়না য়ু এস ওফিসিয়েল অনীনা পাউগী এজেন্সি রোইটর্সতা হায়খি।

মশক মমিং তাক্তনা ৱা ঙাংখিবা য়ু এস ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়খি, চিনানা মখোয়গী য়ূপ্লোন্নবা লৈবাকশিংদা চয়েৎনবা লৈরিবা ঈথৎশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা পারাসেল আইলেন্দসকী নাউটিকেল মাইল ১২ ফাওবা য়ৌনা হিপ্পিন্স গাইদেদ–মিসাইল দিষ্ট্রোইয়ার অমসুং গাইদেদ–মিসাইল ক্রুজর অমা ওইরিবা এন্টিতাম হায়রিবা জহাজ অনীনা চঙশিনখি। পারাসেলসতা লৈরিবা ট্রি, রিনকোল, ট্রিতোন অমসুং ৱুদি আইলেন্দশিংগী মনাক্তা য়ু এস মিলিটরিগী জহাজশিং অদুনা মেন্যুভরিং ওপরেসনশিং পাঙথোকখি হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুগী মনুংদগী অমনা হায়খি।

নোর্থ কোরিয়া লীদর কিম জোং উন গা উন্নদুনা ৱারী শান্নগদবা মীফম অমা য়ু এস প্রসিদেন্টনা ককথৎখিবা অদুনা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ইকোনোমিজ অনী অসিগী মনুংদা ললোন–ঈতিক্কী য়েৎনবা অমা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা মখোয় অনীগী মরী অমুক্কা হেন্না ফৎখিদে।

য়ু এস কী লানগী জহাজ অনী অদুনা পারাসেল ঈথৎশিংগী মনাক্তা চত্থখিবা ফ্রিদম ওফ নেভিগেসন কৌবা ওপরেসন অদুবু নৈনদুনা কূপ্না য়েংলিবা ক্রিটিকশিংনা ফোঙদোকপদা মখোয়গী থবক অদুনা চিনাদা করিসু থোইদোকপা নুংঙাইতবা খনবা তৌদে। ওপরেসন অদু শুপ্পগী সিম্বোলিক ওইবা মওংগীনি হায়খি।

মালেমগী মফম কয়াদা য়ু এস না ওপরেসনশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ওপরেসনশিং পাঙথোক্লিবা অদু মখোয়গী এলাইশিংনা ক্লেম তৌবা মফমশিংদসু য়াওই। অসিগুম্বা অসি য়ু এস মিলিটরিনা মতম শাংনদগী চত্থদুনা লাকপা থৌরম অমনি। মসি পোলিটিকেলগী ৱাফমদগী তোঙানলি হায়রি।

মে ১২ দা লৌবা সেটিলাইট ফোটোগ্রাফশিংনা ৱুদি আইলেন্দদা চিনানা ট্রক–মাউন্টেদ সর্ফেস টু ইয়ার মিসাইলশিং নৎত্রগা এন্টি–সিপ ক্রু মিসাইলশিং দিপ্লোই তৌবগুম উৎলি। থা অসিগী অঙনবদা চিনাগী এয়ার ফোর্সনা ভিয়েটনাম অমসুং ফিলিপিন্সপু শাওনিংবা পোকহন্দুনা সাউথ চিনা সী–গী য়েৎনরিবা ঈথৎশিং অমসুং রীফশিংদা ত্রেনিং এক্সর্সাইস অমা ওইনা লানগী বোম্বর প্লেনশিং পাইখি।

চহী খুদিংগী দোলর ট্রিলিয়ন মঙাগী ললোন–ঈতিক্কী লম্বী ওইরিবা সাউথ চিনা সী–গী ঈশিং লম্বী অসিবু চিনানা মখোয়গীনি হায়রিবনি। মসিগী মায়োক্তা ব্রুনৈ, মালেসিয়া, দ ফিলিপিন্স, তাইৱান অমসুং ভিয়েটনামনা য়েংলি।

সাউথ চিনা সিদা ফ্রিদম–ওফ–নেভিগেসন ওপরেসনশিং অসিদা অতৈ লৈবাকশিং য়াওশিল্লকপা অদু য়ু এস না উবা পাম্মী হায়না ফোঙদোক্লি।

# ইষ্টর্ন পেরিফেরেল, দিল্লি– মীরুট এক্সপ্রেসৱে ইনোগুরেট তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে ২৭ ঃ***

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লুপা ক্রোর ৭,৫০০ হেন্না চঙবা দিল্লি–মীরুট এক্সপ্রেসৱে (ফেজ ১) অমসুং ইন্দিয়াগী অহানবা স্মার্ট অমসুং গ্রিন হায়ৱে ওইরগদবা লুপা ক্রোর লীশিং ১১ চঙবা ইষ্টর্ন পেরিফেরেল এক্সপ্রেসৱে হায়বা নৌনা শাবা এক্সপ্রেসৱে অনী ঙসি ইনোগুরেট তৌখ্রে।



*লুপা ক্রোর ৭,৫০০ হেন্না চঙবা দিল্লি–মীরুট এক্সপ্রেসৱে (ফেজ ১)*

দিল্লিগী সরাই কালে খানদগী য়ু পি গেট ফাওবা শাংবা লেন ১৪ লৈবা দিল্লি–মীরুট এক্সপ্রেসৱে ইনোগুরেট তৌরবা তুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ওপন কার অমদা তোংদুনা হায়ৱেগী নাকল অনীদা লৈরম্লিবা মীয়ামদা মখূৎ হাইখি। রোদ ট্রান্সপোর্ট এন সি পি মিনিষ্টর নিটিন গদকারীসু প্রাইম মিনিষ্টরগী নাকলদা তোঙানবা ওপন কার অমদা তোংদুনা চৎখি।

নিজামৱুদ্দিন ব্রিজদগী দিল্লি–য়ু পি বোর্দর ফাওবা চৎলিবা দিল্লি–মীরুট এক্সপ্রেসৱে অসি রেকোর্দ ওইবা য়ারবা শুপ্পগী থা ১৮ গী মনুংদা শাবা লোয়শিনখি। অদুগা কিলোমিটর ১৩৫ শাংবা ইষ্টর্ন পেরিফেরেল এক্সপ্রেসৱে নৎত্রগা ই পি ই অসিসু রেকোর্দ ওইবা মতম থা ১৭ কী মনুংদা শাবা লোয়শিনখি। প্রোজেক্ট অসিসু উত্তর প্রদেশকী বঘপটতা প্রাইম মিনিষ্টরনা ইনোগুরেট তৌদুনা মীয়ামদা কথোকখি। মসিগী ফাউন্দেসন ষ্টোন অদু ২০১৫ গী নবেম্বরদা প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্না য়ুংখিবনি।

প্রোজেক্টশিং ইনোগুরেট তৌবগী থৌরমশিং অদুদা নরেন্দ্র মোদিনা ৱা ঙাংবদা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথকী মখাদা নোংচুপ য়ু পি দা অওনবা উবা ফংলল্লগনি। ক্রিমিনেলশিংনা অমুক হন্না ক্রাইম তৌররোই ৱাশক্তুনা সরেন্দর তৌরক্লি। হরিয়ানা অমসুং উত্তর প্রদেশতা ক্রাইম মুথৎনবা হোৎনবগীদমক ঐনা হরিয়ানা চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খত্তার অমসুং যোগি অদিত্যনাথপু থাগৎলি।

মেক ইন ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবাক অসিদা শাবা পোখোক পুথোকপগী ঈনোৎ অমা লৈরে। কংগ্রেসকী য়ু পি গভর্ণমেন্টনা শুপ্পগী পঞ্চায়ট ৫৯ খক ওপ্টিকেল ফাইবরনা শম্নহল্লম্মী। অদুগা ঐখোয়না চহী মরিগী মনুংদা খুঙ্গং লাক্ষ অমা হেন্না ওপ্টিকেল ফাইবরনা শম্নহল্লে।

মথং চহীগী মার্চতা ইষ্টর্ন পেরিফেরেল এক্সপ্রেসৱে মপূং ফানা লোয়শিল্লগনি অমসুং দিল্লিদগী মীরুট ফাওবা চৎপদা শুপ্পগী মিনিট ৪০ চঙলগনি। সুপ্রিম কোর্টনা প্রোজেক্ট অসি মোনিটর তৌরি। প্রোজেক্ট অসিগী লৌবা লমগীদমক ফার্মরশিংদা ঐখোয়না লুপা ক্রোর লীশিং তরুক পীখ্রে হায়খি।

উত্তর প্রদেশকী বঘপটতা রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ সিপ্পিং মিনিষ্টর গদকারিনা মীফম অদুদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা য়ু পি গভর্ণর রাম নায়ক, য়ু পি চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথ অমসুং হরিয়ানা চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খত্তারসু শরুক য়াখি। মফম অসিদগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ইষ্টর্ন পেরিফেরেল এক্সপ্রেসৱে অদু লৈবাক অসিদা কথোকখি। দিল্লিগী এক্সপ্রেসৱেদা চাওরাক্লা কিলোমিটর ২৮ শাংবা সাইকল লম্বী অমা লৈগনি। এক্সপ্রেসৱে অসিনা দিল্লি অমসুং মীরুটকী মরক্তা চৎপদা হান্না পূং ২.৩০ চঙলম্নদগী হৌজিক শুপ্পগী মিনিট ৪৫ দা হন্থহল্লগনি। পূন্না কিলোমিটর ৮২ শাংবা লম্বী অসিগী অহানবা কিলোমিটর ২৭.৭৪ দি লেন ১৪ গীনি অদুগা লেমহৌরিবা অদুনা লেন ৬ কী এক্সপ্রেসৱেনি।

# সিরিয়াগী নোংপোকথংবা মরুভুমিদা আই এস আই এস এটেক্তা সিরিয়াগী লান্মী ২৬, রসিয়ান ফাইটর ৯ শিখ্রে

***বৈরুট, মে ২৭ ঃ***

সিরিয়াগী নোংপোক থংবা মরুভুমি লমদমদা চয়োল অসিদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ অমগী এটেক্তা সিরিয়া গভর্ণমেন্ট ফোর্সকী লান্মী ২৬ অমসুং রসিয়াগী ফাইটর ৯ শিখ্রে হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা মোনিটর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা সিরিয়াগী দেইর ইজোর প্রেভিন্সকী ময়াদীন তাউন মনাক্তা জিহাদিশিংনা সিরিয়ান অমসুং মখোয়গা পূনবা রসিয়ান ফাসটরশিংগী খূৎপু অমদা এটেক তৌরকখি হায়না সিরিয়ান ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটচনা হায়খি।

মহাক্লা পাউগী এজেন্সি এ এফ পি দা ফোঙদোকপদা এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা রসিয়ান ফাইটর ৮ য়াওনা পূন্না প্রো–গভর্ণমেন্ট ফোর্সকী মীওই ৩৫ শিখি। রসিয়ানশিংদুগী মনুংদগী খরদি গভর্ণমেন্ট ট্রুপশিংনি হায়খি। রসিয়ান মিলিটরিনা সিরিয়াগী আর্মিবু মতেং পাংলি। মখোয়না নোংথক্তগী এটেক তৌই অমসুং লান্মী পীরি। লৈখাদসু প্রাইভেট ওইনা লৈবা রসিয়ান খূৎনেকশিং লৈ হায়না পাক শন্না ঙাংনরি।

রসিয়ান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ঙসি মোস্কোদা ফোঙদোকপদা মিলিটেন্টশিংগা খূৎ থোক্লবদা রসিয়ান সার্ভিসমেন মরি শিরে হায়খি।

অকক্লবা নুমিৎ অমসুং মফম পনখিদে অদুবু রসিয়ানশিং শিখিবা মফম অদু ময়াদিন মনাক্কী আই এস এটেককী থৌদোক অদুমক্লি হায়না সিরিয়ান ওবজার্ভেটরি অদুনা হায়খি।

শিখিবা রসিয়ান সার্ভিমেন মরি অদুগী মনুংদা অনীদি সিরিয়ান আর্টিলরি কম্মান্দ তৌরিবা মিলিটরি এদভাইজরশিংনি। মখোয় মফম অদুমক্তদা শিখি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

খূৎ থোক্লবা অদুগী মতুংদা রসিয়ান মিলিটরি হোস্পিটাল অমদা রসিয়ান লান্মী অনী অমগসু কোন্না শিখি। অতোপ্পা লান্মী অহুম শোকখি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

আই এস আই এস মিলিটেন্টশিংগা খূৎ থোক্লখিবা অদু পূং ১ রোমনি অমসুং মদুদা মিলিটেন্ট ৪৩ শিখি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়খি।

# পাকিষ্টানগী পঞ্জাবতা মিলিটেন্ট ৬ হাৎখ্রে

***লাহোর, মে ২৭ ঃ***

পাকিষ্টানগী স্পাই এজেন্সি আই এস আই গী ব্রিগেদিয়ার অমা হাৎখিবা অমসুং মীশি মীনা থোকহনখিবা বোম পোকখাইবগী এটেক কয়াদা চেন্নবা মিলিটেন্ট তরুক ঙসি পঞ্জাবতা সেক্যুরিটি ফোর্সকা খূৎ থোক্লবদা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না মেদিয়াগী পাউ অমনা হায়রি।

কাউন্টর–টেরোরিজম দিপার্টমেন্ট (সি টি দি) গী মতুং ইন্না মিলিটেন্টশিং অদু হৌখিবা চহীদা পঞ্জাব প্রোভিন্সকী চীফ মিনিষ্টর সভাস সারিগী রেসিদেন্স–কম–ওফিস মনাক্তা পুলিসমেন নিপান য়াওনা মীওই ২৬ শিখিবা বোম এতেকতা চেন্নবশিংনি। মখোয় মীওই ৮ নৎত্রগা ৯ না সি টি দি টিম অদুদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। মদুদা টিম অদুনা খূৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই তরুক অদু শিখিবনি। মখোয়গী মনুংদগী মীওই অহুম অমদি নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়না ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

সি টি দি ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকপদা মিলিটেন্টশিং অদু ২০০৪ দা সরগোধাদা ইন্টর সার্ভিসেস ইন্টিলিজেন্সকী ব্রিগেদিয়ার জাহুর ফাজাল কাদ্রি অমসুং মহাক্কী মনাওনুপা হাৎপদা চেন্নবশিংনি হায়খি।

নোংমৈ কাপ্পবা অদুদা শিরিবা মীওইশিং অদু অব্দুল মুকিম, ফৈজাল, উসমান, অজীম, রাউফ অমসুং সোহাইব কৌই। মখোয়গী মমিংশিং অদু রেদ বুকতা য়াওই হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়রি।

মিলিটেন্টশিং অদুনা মরু ওইবা অরুবা ইনষ্টোলেসনশিংদা এটেক্ট তৌবা পামখিবনি। মখোয়দগী সুসাইদ জেকেটশিং, ইলেক্ট্রোনিক দিভাইসশিং অমসুং হেন্দ গ্রেনেদশিং ফংখি হায়না ৱাঙাংলোয় অদুনা হায়খি।

# ইজরেলনা পেলেষ্টিনিয়ান ২ হাৎখ্রে

***গজা ষ্ট্রিপ, মে ২৭ ঃ***

পেলেষ্টিনিয়ানগী খা থংবা গজা ষ্ট্রিপতা ইজরেলি টেঙ্কনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা পেলেষ্টিনিয়ান অনী হাৎখ্রে হায়না এনক্লেব অসিগী হেল্থ মিনিষ্ট্রি অমসুং মিলিটেন্ট মুভমেন্টকী লীখুনশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু খা থংবা গজা ষ্ট্রিপকী রাফহা সিটিগী নোংপোক্তা থোকখিবনি।

ইজরেলগী আর্মিনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা গজা ষ্ট্রিপপু ইজরেলদগী তোঙান্না খাইদোক্লিবা ফেন্সিংগী মনাক্তগী মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী ইজরেলনসু টেঙ্ক ফাইয়ার তৌখিবনি হায়খি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা গজা ষ্ট্রিপপু লৈঙাক্লিবা হমাসশিংগী পোজিসন অনীদা ঙরাং নুমিদাং ইজরেলগী এয়ার ফোর্সনা এটেক তৌখি। পেলেষ্টিনিয়ানশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপগীদমক এটেক্ট অদু চত্থবনি হায়না ইজরেলগী আর্মিনা হায়খি। মার্চ থা মনুং খক্তদা ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়ামদ্রবদা পেলেষ্টিনিয়ান ১১৮ হাৎখ্রে হায়রি।

# লাইসেন্স য়াওদনা নাশিকতা দ্রগশিং মেনুফেকচর তৌরম্বা লেবোরেটরি থুগায়খ্রে, মীওই অনী ফারে

***নাশিক, মে ২৭ ঃ***

নাশিক পুলিসনা ইন্টর্নেস্নেল মার্কেটতা লুপা ক্রোর কয়া ওইগদবা এম দি দ্রগ গ্রাম ৪৫০০ য়াওনা নার্কোটিক্সশিংগা লোয়ননা মীওই অনী ফাখ্রে। হৌখিবা চয়োলদা মীওই মঙা ফাখ্রবগী তুংদা মুম্বাইদা লৈবা অর্বিন্দ কুমার (৩২) অমসুং হরিচচন্দ্র পন্ত (২৪) বু ফাখিবনি।

আর্বিন্দ কুমার ওর্গানিক কেমিষ্ট্রিদা মষ্টর দিগ্রিনি অমসুং ফার্মাসিটিকেল ফার্মশিংদা থবক তৌরমখি। অদুগা হরিচচন্দ্র পন্ত না বি এসসি সেকেন্দ ইয়ারগী মহৈরোয় অমনি হায়না ঙরাং পুলিস কম্মিস্নার রবিন্দ্র কুমার সিংহলনা হায়খি। মখোয় অনীমক জুন ১ ফাওবা কোর্টনা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

অর্বিন্দ কুমার অমসুং হরিচচন্দ্র পন্ত না মুম্বাই মনাক্তা লৈবা বোইসারদা অর্বিন্দ কুমারগী য়ূমদা লেবোরেটরি অমা লীংখৎলম্মী অদুগা মদুদা মখোয়না দ্রগশিং সেন্টিসাইজ তৌখি হায়না পুলিস কম্মিস্নারনা মখা তাখি।

হৌখিবা চয়োলদা সিটি পুলিসনা নাশিকতা লৈবা রঞ্জিৎ মোরে (৩৫), পঙ্কজ দুনদে (৩১), নিতিন মালোদে (৩২) অমসুং মুম্বাইদগী নাগপদাদা লৈবা সালিম সৌছিয়া (৩০) অমসুং সাইফুল্লা সৈখ (২৩) কৌবা মীওই মঙা অসি ফাখি। মখোয়দগী লুপা ক্রোর ১.২৪ গী ওইগদবা দ্রগশিংসু ফংখি।

মখোয়বু মচিন হংবদা ফোঙদোরকপদগী অর্বিন্দ কুমারদগী দ্রগশিং অদু মখোয়না লৈবনি হায়বা পুলিসনা খঙবা ঙমখিবনি হায়রি।

# নহা ওইরিবা মতৈ–মনাও ট্রেন মমাঙদা চোংশিন্দুনা শিখ্রে

***সিতাপুর, মে ২৭ ঃ***

মখোয় মখোয়গী ইমুংশিংনা মখোয়গী লূহোংবা য়াবিদবদগী নহা ওইরিবা মতৈ–মনাও অনীনা সিতাপুরগী মেহমুদবাদ এরিয়াদা চেল্লিবা ট্রেন অমগী মমাঙদা চোংশিন্দুনা মশা মতোমতা শিজখ্রে হায়না ঙসি পুলিসনা হায়রি।

মশাগী চহী ১৯ শুরবা বিরেন্দ্র বর্মা অমসুং চহী ১৮ শুরবী রঞ্জনানা নুংশিনরিবা মরী অদু মখোয়গী ইমুং মনুংশিংনা য়ানিংদে। মখোয় অনীগী লৌনরিবা অদুগী মায়োক্তা মখোয়গী ইমুং মনুংশিংনা লৈবদগী ঙরাং সহজাহানপুর–গোন্দা পেসেঞ্জর ট্রেনগী মমাঙদা চোংশিন্দুনা সুইসাইদ তৌখিবনি হায়না মেহমুদবাদ ইম্পেক্তর গ্যানেন্দ্র সিংহনা হায়খি। মখোয় অনী মে ২৩ দগী ময়ূম থাদোরকখিবনি হায়রি।

# নাগালেন্দগী লোক সভা এম পি অমগী বাইপোল ঙসি পাঙথোক্লগনি

***কোহিমা, মে ২৭ ঃ***

নাগালেন্দগী অমখক্তা ঙায়রবা লোক সভা সিটকী মরক্কী মীখল হয়েং পাঙথোক্লগনি। মীখল অসি শান্তি ওইনা পাঙথোক্লবগীদমক থৌরাং পূম্নমক লোয়রে হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার অভিজিৎ সিনহানা ফোঙদোকখ্রে।

মীখল অসিদা নুপা ৬,০৭,৫৮৯ অমসুং নুপী ৫,৮৯,৮৪৭ য়াওনা পূন্না ভোটর ১১,৯৭,৪৩৬ না ভোট থাদগনি। ভোট মশীং মে ৩১ দা থীগনি। অপূনবা পোলিং ষ্টেসন ২১৯৬ কী মনুংদা ২৬০ ক্রিটিকেলনি হায়না লাওথোকখ্রে।

পোলিং ষ্টেসন ১৮৫৫ তা অয়ূক পূং ৭ তগী ভোট থাদবা হৌগনি অদুগা নুংথিল পূং ৪ দা লোয়শিনগনি। বূট ৩০৯ দদি পূং ১ ঙনখৎনা ভোট থাদবা লোয়শিনগনি।

পোলিং ষ্টেসন ২৫৩ দা নুপী ঙাক্তগী পোলিং টিমশিং লৈগনি অদুগা ৱাখা দিষ্ট্রিক্টতা পোলিং বূট ২ দা দিফরেন্টলি–এবল পোলিং পার্সোনেল লৈগনি হায়না সি ই ও না ফোঙদোকখি।

মীখল অসিদা পোলিং ষ্টেসন ২২৫ দা লাইভ ৱেব স্কৃনিং লৈগনি অদুগা পোলিং ষ্টেসন ২৫৭ তা ওফ–লাইন ভিডিওগ্রাফি লৈগনি। নাগালেন্দ আর্ম পুলিসকী কম্পেনি ৮০, হোম গার্দ ৭৭০ অমসুং ভিলেজ গার্দ ২,৬০০ কা লোয়ননা সেন্ট্রেল আর্ম পুলিস ফোর্স কম্পেনি ৪০ মীখল অসিগীদমক থবক শিন্নখ্রে হায়রি।

## GAS TODAY

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 02/05/18
Valid :21/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.30 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 20/04/18
Valid : 17/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**K & K Indane**
Booking : 28/04/18
Valid : 19/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**GBD Gas, Lamlong**
Booking : 10/04/18
Valid : 31/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Imphal LPG**
Booking : 23/05/18
Valid : 01/12/17
Sl. No. 145-97
Stk : 306/19kg 95
Delivery at Heinoupok Godown

**Hrangchal Gas**
Booking : 30/04/18
Valid : 28/04/18
Stk : 270
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**সনা–সুদোকু –১১৭৯ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 6 | 2 | 8 | 9 | 1 | 5 | 7 | 3 |
| 5 | 8 | 9 | 3 | 7 | 4 | 1 | 6 | 2 |
| 7 | 3 | 1 | 6 | 5 | 2 | 4 | 8 | 9 |
| 8 | 9 | 4 | 1 | 6 | 7 | 2 | 3 | 5 |
| 3 | 1 | 5 | 2 | 4 | 8 | 6 | 9 | 7 |
| 6 | 2 | 7 | 5 | 3 | 9 | 8 | 1 | 4 |
| 1 | 4 | 3 | 9 | 2 | 6 | 7 | 5 | 8 |
| 9 | 7 | 6 | 4 | 8 | 5 | 3 | 2 | 1 |
| 2 | 5 | 8 | 7 | 1 | 3 | 9 | 4 | 6 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1180**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 6 | 8 | 3 | | | |
| 4 | | 5 | | | | 9 | | |
| | | | | | | | | |
| | | 4 | 9 | 3 | | | 5 | |
| 9 | 6 | 8 | | 5 | | | | |
| | | 3 | | | | 2 | | 9 |
| | | 9 | 5 | | | | 8 | 2 |
| | | | | | 7 | | | |
| 2 | | | 3 | | 9 | | 1 | |

RST Resonant Tutorials
RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants
SL/Bill (upto 12 June)
ADMISSION OPEN
Regular Course for Medical Entrance Exam
NEET (UG) - 2019
Class Commence : 21st June, 2018
Last Date of Admission : 19th June, 2018
Separate Section For Purely English Medium.
Hostel facility for Boys & Girls.
For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank
Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.